# সনালৈবাক

(চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে)




ফয়েং অৱাং লৈকাইদা ঙরাং পাঙথোকখিবা শান্নরোইশিংগী নুমিৎকী থৌরদা চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা রুকোগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিউ গোনেন্দ্রোনা মুক্লা শান্নরোইশিংগা শকখঙ মায়খঙনবা




৩৫ শুবা আরপিএফকী ইন্দিপেন্দেন্ট দিমান্দস ডে থৌরম পাঙথোকখিবগী শক্তম অমা (ফোটোঃ সেল্ফ)



পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা নহা ওইবা অইবা ৱাংথোই খুমনদা অরাম্বম ইবুঙোহল এন্দ বিনোদকুমারি লিটরেরি এৱার্দ ২০১৩ খুৎশিন্নবা


Vol : 40 Issue : 181 Pages : 8 | Website: www.sanaleibak.in | Imphal, Wednesday, February 26, 2014 | য়ুমশকৈশ,ফাইরেনগী ২৭ নি পানবা | E-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com | RNI Regd. No. 31350/77 ₹ 3.00


## ঙসিগী অঙৌং-অশাগী পাউ



খ্বাইদগী ঈংবা চাং ঃ ৮°

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৭°

নুমিৎ থোকপা অয়ুক পুং ৫.৪১

নুমিৎ তাবা নুংথিল পুং ৫.১৪

নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদ ৫২

গ্যাস পাউ লমায় ৫ গী কলম ১ দা য়েংবীয়ু

## লোইরেদনা





# লুপা কোটি ৫৪১. ৩৬ গী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্টস মণিপুর বিধান সভানা পাস তৌখ্রে

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৫ঃ শেনবা চহি ২০১৩–১৪ গী ওইনা লুপা কোটি ৫৪১. ৩৬ গী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ঙসি মণিপুর বিধান সভানা খন্নরবা মতুংদা পাস তৌখ্রে। লৌবা ৱাগদবা শেনফম ময়াম হাপচিল্লকপদগী প্লানগী শেনফম অসি চাউনা উহনবনি হায়না ফাইনান্সকী চার্জসু পুরিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা ফোঙদোকখ্রে।

অপুনবা দিমান্দ ৩৫ অমসুং এপ্রোপ্রিয়েসন ২ গী অপুনবা শেনফম লুপা কোটি ৫৪১.৩৬ কী শেনফম ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা খন্নরবা মতুংদা য়েংনবা লৈতনা পাস তৌখিবনি।

দিমান্দশিং অদু খন্নবদা শরুক য়ারদুনা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা হায়, সরকারগী মায়কৈদগী প্লানগী শেনফমশিং অসি নিংথিনা নিয়ম চুম্না শিজিন্নবা ঙম্নবগীদমক প্লান এক্সপেন্দিচর অসি মতম মতমগী ওইনা তোয়না রিভিয়ু তৌরগা চংলি।

মমাংগী শেনবা চহি ২০১৩–১৪ গী ওইনা প্লানগী শেনফম অসি লুপা কোটি ৩৬৫০দা লেপ্লকপদা য়াম্না চাওই হায়নরি। অদুবু ফংবদা ৱাগদবা, লৌবদি য়াবা শেনফম কয়া হাপচিনবনা প্লান সাইজ অসি মীয়ামদা চাউনা উহনবনি।

মসিগী খুদম পীরদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, এক্সটর্নেল এদেদ প্রোজেক্টশিংগী শেনফম অসি লৈরবসু লৌবদা ৱাবা শেনফম ওইরি, মসিগা লোয়ননা এ আই বি পিনচিংবা স্কিম খরগী শেনফম অসি লুপা কোটি ৩০০–৪০০ রোমদগী হেন্না শিজিন্নবা ঙম্লোইদবদা লুপা কোটি ৮০০ রোম হাপচিনবা কয়া অসিনা প্লানগী ফন্দ অসি চাউনা উহনবনি।

হৌজিক মার্চ অরোইবা ফাওবদা ভারত সরকারনা পীরক্লিবা প্লানগী শেনফম অসি চাদ ৮০ /৯০গী চাং য়ৌনা শিজিন্নবা ঙম্লবা য়াই হায়না পারি। লোয়ননা লৌবা য়াবা অশেংবা বজেট অদুতমক লৌনবা হোৎনরি।

দিমান্দ ৩৫গী অপুনবা শেনফম লুপা কোটি ৫৪১.৩৬ অসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা কয়া লৈবদগী পুথোকপনি। শেনবা চহি অসিগী লোইশিল্লকপদা দিফিসিট তাগদৌরিবা অসি মপুং ওইনা তলবকী শরুক্তনি। হৌজিক লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা ইমপ্লোয়িশিংগী লুপশিংনা দাবি কয়া তৌরি। মখোয়গী দাবিশিং অসি মরম চাবনি হায়বা সরকারনা খঙই। অদুম ওইনমক মসিদা নুংশা থিরিবদি মসি হেক থবক্তা ওন্থোকপা মতমদা থা খরগী মতুংদা তলব পীনিঙাই লৈতবগী ফিভম অদু লাকখিগদ্রা হায়বগী মীপাইবা সরকারদা লৈরিবনি। মরম অসিনা সরকারনা রিসোর্ছশিং ফগৎহল্লবা মতুংদা মদু পীনবা হোৎনরি হায়খি।

সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ অসি খন্নবদা

➢মখা লমায় ৫ কলম ৭ দা

# নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিং তাথিনা তৌবা থিংনবা অকনবা আইন শেম্নবা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৫ঃ হন্দক ভারতকী কোনুং দিল্লিদা মণিপুরদগী য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংদা তাথি তাওইনা তৌবগী থৌওং কয়া লেপ্তনা চথরকখিবা থৌদোকশিং মখা তানা থোক্লকপা থিংনবা অকনবা আইন শেম্বীনবা ভারত সরকারদা তকশিন্নবা ঙসি মণিপুর বিধান সভানা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা এম এল এ শিং টি ঐচ শ্যামকুমার অমসুং আর কে ইমোনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমবু সভানা খন্নরবা মতুংদা সোর্ট দ্যুরেসন দিস্কসন্দা ওন্থোক্তুনা কুপ্না নৈনরবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

ঙসি সভানা লৌখিবা ৱারেপ অদুদা মপুং ওইনা হন্দক নিউ দিল্লিদা মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক্তগী লাকপা মীওইশিংগী মথক্তা শক চু মান্নদবগী মীৎয়েং থম্বা মানবা মওংদা শাথিবা অমসুং কা হেনবা এটেকশিং চথদুনা অরুনাচল প্রদেশতগী নিদো তানিয়া লৈখিদবগী থৌদোক অদুবু সভানা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মতুংদা থোক্লকপা থিংনবা অকনবা আইন অমা শেম্নবা ভারত সরকারদা তকশিন্নবা ৱাফম য়াওরি।

ৱাফম অদু খন্নবদা শরুক য়ারদুনা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা হায়, হন্দক থা অমা অনি অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিনা মফম অদুদা থবক তৌদুনা লৈরিবা অমসুং লাইরিক লাইশু তমদুনা লৈজরিবা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংদা শাফদবা ফিভম অমা ফাওহল্লিবা অসি শাফবা ফিভম অমদা পুরক্লবা সভানা রিজোলুসন অমা ভারত সরকারদা থাবদা কায়দে।

মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা লোয়ননা লৈরিবা মণিপুর ভবন্দা পুং ২৪ চুপ্না মথৌ তৌবা হোটলাইনশিং থমদুনা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্লকপা ঈ–পাউ পীবা য়াননবা থৌরাং পায়খৎনবা হোৎনরি। মসিগা লোয়ননা ভবনগী সেক্যুরিটিগা দিল্লি পুলিসকা পাউ ফাওনরগা কন্দায় ফাওবা চংশিনবা য়াবগে হায়বা য়েংশিল্লি।

➢মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

## মৈতৈনা এসটি ওইবগী দিমান্দ দরকার ওইবা মচাকশিং থিদোকপা দরকার ওইরিঃ *গাইখাঙম*

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৫ঃ মৈতৈশিং অসি সেদ্যুল ত্রাইব কেতেগোরিদা য়াওবদা তঙাইফদনা চংবা মচাকশিং অদু শুরবা মতমদা ৱাফম অসি ভারত সরকারদা রিকমেন্দ তৌনবা হোৎনরি। দরকার ওইবা মচাকশিং অদু য়াওদনা হেত্তঃমক হায়রুবদা কান্নবা ফংদবা য়াই হায়না হোম মিনিষ্টরগী চার্জসু পুরিবা ডিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

**বিধান সভাগী কোল্লিং এটেন্সন**

ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা ওপোজিসনগী এম এল এ ডাঃ

➢মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

## মণিপুরদা রুরেল টেক্নোলোজি পার্ক শানবা থৌরাং লৈরে ঃ চিফ মিনিষ্টর

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী* ২৫ঃ মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা রুরেল টেক্নোলোজি পার্ক অমা লাক্লিবা চহি ২০১৪–১৫ দা শেমগৎলগনি, মসিগীদমক সরকারনা অয়াবা পীরে হায়না মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ঙসি পাংথোকখিবা এসেমব্লি মীফমদা আরদি এন্দ পিআর মিনিষ্টরগী মহুৎ শিন্দুনা ফোংদোকখ্রে।

**বিধান সভাগী ৱাংহং পাউখুম**

ঙসি পাং–থোকখিবা এসেমব্লি সেসনগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এমএলএ টিঐচ শ্যামকুমারনা হংলকখিবা ৱাহং, ভারতকী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পায়খৎলিবা রুরেল টেক্নোলোজি পার্ক অমা মণিপুরদা পায়খৎনবগী পান্দম লৈব্রা অমসুং লৈরবদি করম্বা মতমদগী পায়খৎপা হৌগনি হায়বগী পাউখুম ওইনা রুরেল

➢মখা লমায় ৫ কলম ৪ দা

## ‘মনিসনা হাংখিবদা কেৱাইকেএল চেন্নে হায়বদু অরানবনি’

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৫ঃ হৌখিবা চহিগী নভেম্বর ১৩ দা এম পি পি ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ঐচ মনিসনাবু হাংখিবা অদুদা কে ৱা ই কে এল চেন্নে হায়বদু অরানবা ৱাফমনি, মীহাৎ অদুগা কে ৱাই কে এলগা মরী লৈনদে হায়না শেংদোরক্লি।

আইননা থিংখ্রবা লুপ কে ৱাই কে এলগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ রিছাস এ য়াইফবনা ঙসি থাদোরকপা শেংদোক ৱারোল অমদা হায়রিবদি কোলকতাদা ফোংবা পাউচে অমনা কে ৱাই কে এলগী লাল্লোই দব্লিউ জয়ন্তা এলাইস লাকপা বিহার নেপাল ঙমখৈদগী ফাবগী মতাংদা ঙরাং ফোংখিবা পাউ অমা খুথাং পাউ ওইনা ঙসি ইম্ফালদা ফোংলকখি। পাউ অদুদা কে ৱাই কে এলগী মীংচৎ থিনিংঙাই ওইবা শেমজিন শাজিনবা য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফম খরা য়াওরে। ঐচ মনিসনা হাংখিবা অদুগা কে ৱাই কে এলগা মরী লৈন্দে হায়বা ৱাফম মমাং চহিগী নভেম্বর ১৬ তা পাউচেশিংদা

➢মখা লমায় ৫ কলম ৪ দা

## ইন্দিপেন্দেন্ট দিমান্দ দে থৌরম পাংথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৫ঃ আইননা থিংখ্রবা লুপ রিভোলুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী ৩৫ শুবা মপোক কুমওন ইন্দিপেন্দেন্টস দিমান্দ দে গী থৌরম ঙসি মফম কয়াদা পাংথোকখ্রে হায়রি।

লুপ অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রিবদি থৌরম অসি পার্টিগী থৌপুরেল লোইশঙ, কাউন্সিল হেদ ক্বাটর, পি এল এগী জেনরেল হেদ ক্বার্টর, টেকটিকেল কমান্দ, ষ্ট্রেটেজিক কমান্দ, ২৫২ মোইবাল বটালিয়ান, সেন্ট্রেল বিয়ুরো, এস আর ১, ২, ৩,৪ অমদি অতৈ লান্মীগী য়ুনিট দিপার্টমেন্ট ষ্টেসনশিংদা পার্টিগী ফিরালদা ইকাই খুম্নবা উত্তুনা হরাও–তয়াম্বগা লোয়ননা পাংথোকখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা আর পি এফকী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাওরেন্না মীয়ামদা পীবা য়াইফ পাউজেল পাথোকপগা লোয়ননা মণিপুরগী লৈজরম্বা মনিং তম্বা লৈবাক অমগী হকপু লম মিকাবা ইন্দিয়ানা মাংহনবিখ্রবা মতুংদা থোক্লিবা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরগী মরক্তা উংখৎনবগী মৈরিনা পনখৈ অমা য়ৌরক্লবা ফাওবদা মালেমগী

➢মখা লমায় ৫ কলম ৭ দা




Smt. Sonia Gandhi
Chairperson, UPA



Dr. Manmohan Singh
Prime Minister

**$175 billion foreign direct investment into india in the last four years**

**Our exports increased from ₹ 2.93 lakh crores to ₹ 16.34 lakh crores in last nine years**

**₹6,84,797 crore credit and loan facilities for micro and small enterprises**

भारत निर्माण के प्रमाण

REACHING PEOPLE, CHANGING LIVES.

davp 22111/13/0294/1314

For advertisement please contact: # 8731815660 e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501